
# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ উহন উকাবী নাতেনবী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ







ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা উহন পান্বী মখল কয়ামরুম ফংই। মখোয়শিং অদুদি উহন নাতেনবী, উহন নাশাংবী, উহন উকাবী নাতেনবী, উহন উকাবী নাশাংবী অসিনচিংবনি। ময়াম উহন উকাবী নাতেনবী হায়রিবা পান্বী অসি মশক খঙবিব্রা অমদি উবিরব্রা? উহন উকাবী নাতেনবী পান্বী অসি হাজোংবা (Weed) পান্বী অমা ওইনা লমহাং-তুমাং, ষনজাবুং অমসুং খোংবাল - লুপানদা অদুমক ফজনা হৌবা ঐখোয়না থোইদোক্লা থৌশাবিদ্রবা অদুবু হীদাক্কী ওইবা মগুনশিংদি থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানিংঙাই ওইনা য়াওবা ফুট অনীরোমতমক ৱাংবা মশা-মরেং খরা লোঙবা পান্বী অমনি। উহন উকাবী নাতেনবী হায়রিবা পান্বী অসি ইংলিসতা হার্ট লিফ ফেন পেতলস (Heart leaf fan petals) নৎত্রগা স্নেক মেলো (Snake mallow), হিন্দীদা বানানিয়র (Bananiyar) নৎত্রগা ভায়ুনলি ভুইনী (Bhyuni bhuinii), তামিলদা পালামপাসী (Palampasi), মারাথীদা নাগাবালা (Nagabala), গুজারাতিদা গঙ্গেতী (Gangeti), বেঙ্গোলিদা গোরাক্সা চাকুলে (Goraksha Chakule), তেলেগুদা গায়াপাকু (Gayapaaku) নৎত্রগা বেক্কীনাতা লেজিদা (Bekkinata legida), কানারাদা নাগাবালা (Nagabala) নৎত্রগা তুরুভেগিদা (Turuvegida), মালায়ালমদা ভালিকুরুনতোতি (Vallikkuruntotti), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সাইদা ভেরোনিসিফোলিয়া (Sida veronicaefolia Lam)* হায়না কৌই অমসুং *জুবাকুশুম* অমসুং *শৌগ্রী* পান্বীগী শাগৈ হায়বদি *মালভেসী (Malvaceae)* দা চল্লি।

উহন উকাবী নাতেনবী পান্বী অসি ভারতকী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেল অমসুং সব-ত্রোপিকেলগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পান্বী অসি কোঙ্কান, রাজস্থান অমসুং বিহারগী মফম অয়াম্বদা থোইদোক হেন্দোকনা মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অৱাং-নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিংদা মরুওইনা মণিপুর, অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা উহন-উকাবী নাতেনবী পান্বী অসি য়াম্না মরাং কায়না হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উহন উকাবী নাতেনবী পান্বী অসি তম্পাক্কী অয়াম্বা মফমশিং অমসুং চীংখোঙ চীংয়াশিংদা মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। পান্বী অসি উখা-ৱাখা, ষনজাবুংগী অকোয়বা, লৌরিগী মপান অমসুং খোংবাল-লুপানশিংদা য়াম্না চুশিন্নবা হৌই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উহন-উকাবী নাতেনবী পান্বীদা য়াওবা মরুওইবা ফাইটো কেমিকেলশিং অদুদি β-phenenthylamines, Quinazoline, Gossypol, Sterculic acid অমসুং Linoleic acid অসিনি- পান্বী অসিদা ম্যুশিলেজ (Mucilage) হায়না খঙনবা মনাং অমা চাং য়াম্না য়াওবা ঐখোয়না থেংনৈ।

উহন উকাবী নাতেনবী পান্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা হিদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। পান্বী অসিগী নৌতক তৌবা মনা অদু অশোক অপন তৌবদা চৈনা হন্থহনবতা নত্তনা অশোকপা অদুসু য়াম্না থুনা ওইশিনহনবা ঙম্মী। খুদক্কী ওইনা অশোক অপন তৌবদা পান্বী অসিগী মনা অমসুং মরা অদু ঈশিংদা শেংনা চামথোক্লগা চাং মান্ননা লৌরগা শুগাইদুনা লৌবা অনঙবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবীগনি অমসুং পোপলী-পোপলী শুগাইরবা অদুগা অশোকপা মফম অদুদা থোম্লগা বেন্দেজগুম্বনা য়েৎশিন্দুনা থম্বীগনি। হায়রিবা অদু নোংমদা অনীরক শিন্দোকপীগনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না উহন উকাবী নাতেনবী পান্বীগী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা মীওইবগী থোপকী শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা কাওজন থীবা অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হায়রিবা অশেন্বা অসিদা খোইহী খরা হাপ্তুনা শীজিন্নরবদি অমুক্কা হেন্না ফবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা অশেন্বা মহী অসি মতম শাংনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খৌনাও, চাকখাউ অমসুং থীবোঙ-থীরিল চাথৎপা (Ulcer) অসিদসু লায়েং-হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। লোক থুংবা, চাবা তুমদবা, ত্যুবরকুলোসিস (TB), খোঞ্জেল ফাইবা (Horseness of voice) অমসুং দাইপসনোৱা (Dyspnoea) হায়না খঙনবা শ্বর চনিং-চমাং শম্ন দবা অসিদা উহন উকাবী নাতেনবী পান্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা নং-নং লাওবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি।

হায়রিবা অশেন্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীমুক্কী চাংদাদা হাপ্তা অমরোমদা পীথকপদা হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না শাবা অমসুং ঈশিং য়াফম তৌবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবগী পাউদমসু লৈ। উহন উকাবী নাতেনবী পান্বীগী মরা অদু ফজনা চামথোক্লগা ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু ঈংথহল্লবা মতুংদা খোইহী খরা হাপ্লগা শেন্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অমগী চাংদাদা নুমীৎ ১০ রোম চাং নাইনা পীথক্তুনা নুপীগী ফীঙৌ চৎপা (White discharge) অমসুং ফত্তবা মচুম তাবা গোনোরিয়া (Gonorrhoea) হায়রিবা লায়নাশিং অসি ভারতকী কাঙলুপ খরনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা মরুওইনা অঙাংশিংনা মশা য়াম্না শোনবা অমদি ময়াং কংলবদি উহন উকাবী নাতেনবী পান্বীগী মরা অদু ঈশিংদা শেংনা চামথোক্লগা ঈশিং খরদা (মরা গ্রাম ৫০ রোম ঈশিং লিটর অমরোমদা) ফুৎলগা শিদা মিছ্রি (Sugar candy) খরা হাপ্তুনা শেন্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অমগী চাংদাদা থা অমরোমদং পীথকপদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি। হায়রিবা অশেন্বা মহী অদু থম্মোয় শোনবা (Heart weakness), হক্কী ঈশিং পৌহনবা, খৌনাও শাদুনা হাক্কচবা অসিদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। ঈতোন ফাইবদা উহন উকাবীগী মনা অদু ফুৎলগা পীজনৈ।⏮




# মণিপুরগী ইস্যু অমত্তা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবা লৈখিদ্রি, ফজনা খন্নরবদি প্রোব্লেম অমত্তা লৈরম্লোই - জি কে পিলাই

**ইন্সটিট্যুট** ওফ দিফেন্স ষ্টদিজ এন্দ এনালাইসিস, ন্যু দেল্লিগী লেকচর সেরিজ অমদা ‘মণিপুর এ ৱে আউট’ হায়বা লেকচর অমা জি কে পিলাইনা মণিপুরগী মতাংদা য়াম্না ফজনা মনুং মপান ফাওনা নৈনরগা হায়খ্রে। কুমজা ২০১২গী মতমগীনি হন্দক্তা য়ুট্যুবতা থেংনরকপনি।

মহাক্না হায়খি, মণিপুরগী পুৱারী ইন্দিয়ানা খঙবীদে, ইন্দিয়াগী মীয়াম্নসু মণিপুরবু অন্দরষ্টেন্দ তৌদে। অন্দরষ্টেন্দ তৌদ্রবদি ৱাথোক লোইশিনবা য়ারোই, ৱাথোক লৈরবদি প্রোগেস দিভলপমেন্ট পুরকপা ঙম্লোই। মণিপুরগী পুৱারী ইন্দিয়ানা খঙবা মথৌ তাই। মণিপুরগী চহী চা কয়া সেঞ্চুরি ওল্ড হিষ্ট্রি লৈজৈ হায়বসি মীশিংনা কাউরোইদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী পুৱারী খঙগদবনি। মণিপুরদি সোভরেন্ট কন্ত্রি ওইনা চহী চা কয়া লৈরক্লবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা য়াওখ্রবসু কুমজা ১৯৪৮দা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা ইন্দিপেন্দেন্ট গভর্ণমেন্ট শেমখ্রবনি। কুমজা ১৯৪৮-৪৯ ‘ইন্দিপেন্দেন্ট কন্ত্রি’ ওইনা লৈখ্রবনি। মোর্দন দেমোক্রেসিগী মতমদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন ১৯৫০দগী মণিপুর কন্সটিট্যুসন্না হাল্লি, জম্মু অমসুং কাশ্মীরদগীসু হাল্লি। মণিপুরবু ষ্টেট ওইনা নত্তনা কন্ত্রি হায়না রেফর তৌবনা চুম্বনি।

কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুর নিংথৌবু নমদুনা খূৎয়েক পীহল্লগা ইন্দিয়াদা মর্জর তৌহনখিবনি হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না হৌজিকসু নিংদোন পোম্নরি। নাদুনা লৈরিবা সদার পটেলনা শিলোংদা আর্মি বৃগেট অমফাওবা লৈজদ্রবজাৎলা হায়খিবদু মণিপুরগী মীয়াম্না পেন্নদ্রি। ইন্দিয়াদা য়াওখ্রবা মতুংদা অহানবা চৈথেংদি সোভরেন্ট কন্ত্রি অমবু পার্ট সি ষ্টেট ওইনা লৈহল্লগা চীফ কম্মিস্নর অমগী মখাদা থম্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। অদুগী মথংদা অমুক কুমজা ১৯৫৬তা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইহল্লি মথংগী চৈথেং অমনা মপূং ফানা ষ্টেট অমা ওইনা ষ্টেটহুদ অন্দলোন চহী ১০-২০ চঙলগা কুমজা ১৯৭২দা পীখিবসু ইকায়বা পীবনি। অসামগী সব দিভিজন অমখক ওইরম্বা টুয়েন্সাং অমসুং নাগা হিল হায়বা মফমদুবুনা নাগালেন্দ ষ্টেট হায়না কুমজা ১৯৬৩দা মণিপুরদগী চহী ১০ হান্না ষ্টেটহুদ পীখিবসু অশোয়বা অমনি।

মৈতৈশিংগী পূক্নিং ৱাখলসি ইন্দিয়ানা খঙগদবনি। মৈতৈশিং অসিদি য়াম্না পুকচেল চাউবা, য়াম্না লৈবাক মচা তাবা, য়াম্না চাউথোকচবা, নাৎকী মরমদা থাক ৱাংবা, নীংতম্বা পাম্বা, নাপল লৈবা, লান্দা থৌবা ফুরুপ অমনি। চীফ মিনিষ্টর অনী পাল্লম্লগা ইন্দিয়াদা য়াওরবা মতুংদা গভর্ণমেন্টকী নেগেটিভ পোলিসি কয়াদগী ফীভম ফৎচিল্লকখিদবনি।

ইন্দিয়াগী থৌওংশিং পেন্দবদগী লালহৌবগী ঈরাং লাকপা হৌখি। কুমজা ১৯৬৪দা য়ু এন এল এফ লীংখৎখি অহানবা য়ু জি গ্রুপ ওইনা। কুমজা ১৯৯২দা মৈতৈ লোনবু নিপানশুবা সেদ্যুলদা চল্লে লাউথোকখি। অন্দলোন কয়া চঙশিল্লবা তুংদা মরম চানা ফংফম থোকপা কয়া ওৎতুনা থমখি। কংলা ফোর্ট হায়বসি মণিপুরগী হায়বদি মৈতৈশিংগী থৱায়নি। কংলা হিংলবদি মৈতৈ হিংলে। কংলা লৈত্রবদি মৈতৈ মুৎলে হায়না লৌবা য়ারবনি। মসিসু অসাম রাইফলস থাজিল্লগা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা লৌথোকখিবনি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরবু নমথবা মানবা, ইকায়বা পীবা মানবা থৌওং কয়া লৈবা মাল্লি হায়বসি মৈতৈগী সাইকিদা লৈ। মণিপুরগী মহুত্তা মৈতৈ হায়বসি চুম্মী খন্দুনা হায়বনি। মণিপুর হায়বদি মৈতৈ কিংদমনি। মৈতৈ নিংথৌশিংনা চহী চা কয়া লৈঙাক্তুনা লৈরম্বা কন্ত্রি অমনি। ফুরুপ অতৈদি মশা ঙাক্তনি। কোহিমা, নাগালেন্দ লান্না মৈতৈ সোভরেন্টকী মখাদা লৈরম্বগী ৱাফম কয়া লৈ। হৌরকফমসু অমত্তনি, মোঙ্গোলোইদ সটোক ঙাক্তনি। নিংথৌ ফম্বাল তোংবদা ত্রাইবশিংগী ফিজেৎ শেৎপা, য়ূমশা-কৈশা মান্নবা, চাকচা-য়ুথক মান্নবা কয়ানা অপূনবগী শক্তম তাক্লি। মণিপুরগীদি লায়রদনা ব্রহ্মা, ম্যান্মারগী মন্দলে কোনুং ফাওবা মণিপুর কোনুংগা আর্কিটেকচর য়ূমশা-কৈশা মওং চপ মান্নে। হৌজিক্তি অহোংবা কয়া লাক্লে। চীংমীগা তম্মীগা লাপথোক্লরে। সোসিয়েল ইকোনোমিক অমদি কলচরেল চেঞ্জ কয়া লৈরে। মাইগ্রেসনসু য়াম্না লৈরে। অফবা ফত্তবা কয়ামরুম লৈ। তাঙ্খুলনা দেল্লিদা ১০,০০০ রোম লৈ। বেঙ্গলোরদা হোটেল অমদা পিওন্দগীনা মেনেজর ফাওবা মপূদু নত্তনা ষ্টাফ পূম্বা মণিপুর মচা ঙাক্তা ওইবা য়াওরি। আউটসরচিং নৎত্রগা মাইগ্রেসন ওইবা য়াই। চেঞ্জ মখল অমনি। আর কে ফালগুনি কৌবা মৈতৈ মচা আই এ এস, জি কে পিলাইগী কোলিগ অমনা চেঞ্জ অসি ফৎত্তবরোমগী চেঞ্জ ওইগনি হায়খি।

অহানবা অহোংবা অসি চীং-তম দিভিজন কায়নবা অসিনি, মৈতৈশিংনা হিন্দু ওইরবা মতুং হিন্দুইজম, চীংমীশিংনা খৃষ্টান ওইরকপসিনা অহানবা কায়নবগী হৌরকফমনি। হৌজিক্তি নোংমা নোংমগী হেন্না হেন্না ফৎচিল্লক্তুবগুম তৌরি। খ্বাইদগী খুদোংথিনীংঙাইনি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরবু অন্দরষ্টেন্দ তৌদবা, হিষ্ট্রি খঙবীদবা অদুনা কাঙলূপ অমগা অমগা ইনশিন্নদুনা (সেট ৱান অগেনষ্ট ইচ অদর) খৎনহনবা অসিনি। হৌজিক্তি ইন্সরজেন্ট গ্রুপশিংগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগা নক্লবা মরী লৈনবা উই। মণিপুরগী ইন্সর্জেন্টশিংনা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা অমদি টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি কন্নবা হোৎনৈ। মতাং অসিদা জি কে পিলাইগী লেকচর লোইরে।

‘‘অৱাং চীংখৈ অপূনবা ইরৈবাক ইনাৎ কনবা লূপ’ অমদি ‘নোংপোক চীংখৈ ইনাৎ য়োকখৎ লূপ’ না হায়নীংবদি অসিনি, মণিপুর মচা নত্তবা লাইরিক ফজনা হৈবা হান্নগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ফোরেনগী সেক্রেটরি ওইরম্বা জি কে পিলাইনা অসুক ফজনা অমদি অকিবা, চিংনবা লৈতনা মণিপুরগী মতাংদা শন্দোক্লা হায়বা ঙম্লগা মণিপুর মচা অমত্তনা ঙসি ফাওবা করিগুম্বা অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমদবসি করি মরম লৈরবা জাৎনো হায়বসিনি, কিবগীরা, খঙদবগীরা নৎত্রগা লৈবাক কায়রবসু ঐগী শোয়দ্রগা লোইরে হায়বগীরা। নীংশিংবা য়াবা অমদি ইরৈপাক ইরমদম ইফুরুপ লৈত্রবদি ঐসু লৈরোই হায়বা ৱাফম অসিনি।

জি কে পিলাইনা হায়খিবা মমল য়াম্লবা ৱাফম অসি কুমজা ২০১২দনি। অদুবু কুমজা ২০১৮দদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিনগী ৱাফম লাক্লে। অমুকসু আই এল পিগী ৱাথোক লোইশিনদ্রিঙৈসিদা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী ৱাথোক, মীওই ক্রোর ২/৩ মণিপুরদা হাইজিল্লকপা য়াবগী বিল অমা জুলাই, ওগষ্ট ২০১৮দা পার্লিয়ামেন্টকী মোন্সুন সেসন অসিদা পাস তৌখ্রে। মতাং অসিদা ২০১৮দদি জি কে পিলাইনদি করি হায়রক্কনি। মৈতৈ মচাশা মণিপুর মচাশা নখোয় নশা হিংনীংলবদি মণিপুর, কন্নীংলবদি ইন্দিয়াদগী চেলহৌরো হায়রক্কদবা মাল্লি। জি কে পিলাইনা হায়রিবা ৱাফমশিংগী পরিং অসিদা মণিপুরগী ইস্যুশিং ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, আই এল পি, ত্রাইবেল ষ্টেটস রিজার্ভেসন সিষ্টেম, মণিপুর ইন্সর্জেন্ট হিল ভেল্লি দিভাইট, এস টি জেনরেল দিভাইট, সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, অফস্পা অসি পার্লিয়ামেন্টতা ফজনা নৈনদুনা অচুম অরান পুথোকপা মণিপুরগী পুৱারী ফজনা খঙবা এম পিশিংদা গভর্ণমেন্টনা খঙহন্দুনা য়ূমলোন্নরিবা ষ্টেট নাগালেন্দ, অসামনচিংবগী মণিপুরগী পুৱারী খঙমিন্নবা অসি ওইরবদি মণিপুরগী ৱাথোক লাম্হোক পূম্বা লোইশিনবা ঙমগনি খল্লি।

পরিং অসিদা মণিপুরগী ইস্যু পূম্নমক ফজনা পুথোকপা, খন্নবা, ৱাখল তাহনবা ঙমগদবা মৈতৈ নুপা অমা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯গী পার্লিয়ামেন্টকি ইন্নর মণিপুর ইলেক্সন অসিদা এম পি ওইনা লোক সভাদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন মুন্না খঙবা নেসনল লো অমদি ইন্টরনেসনল লো মুন্না খঙবা, ওপন দিবেট চেলেঞ্জ তৌনসি হায়বা ঙম্বা ইশাগী হক মুন্দুনা লৌগদবনি হায়বা, নিগদবা নত্তে, হায়বা ঙম্বা তঙাইফদ্রবদি ইন্দিয়াগা লাপথোক্লরকপা য়াই হায়বা ঙমগদবা মীওই অমা এম পি ওইনা কুমজা ২০১৯ পার্লিয়ামেন্টতা থারবদি ঐখোয়গী ইরমদম ইফুরুপ কনবা ঙমগনি খল্লি। মরম অদুনা অদুগুম্বা মীওই অমা এম পি ওইনা থাগৎতুনা ইরৈপাক ইরমদম কনমিন্ননবা লৈবাক মীয়ামদা অৱাং চীংখৈ অপূনবা ইরৈপাক ইনাৎ কনবা লূপ অমদি নোংপোক চীংখৈ ইনাৎ য়োকখৎ লূপ অনীনা নোল্লুক্লা আপিল তৌজরি।

*সেক্রেটরি জেনরেল*
*ঐচ সুনিল মৈতৈ*
*অৱাং চীংখৈ অপূনবা ইরৈবাক ইনাৎ কনবা লূপ*

## মরোল থোকপা লাই

